# মপানগী স্পাই এজেন্সি অমনা টেরর মাষ্টরমাইন্দ হফিজ সয়ীদ হাৎনবা থৌরাং তৌরি : পাকিস্থান

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সি রিসর্চ এন্দ এনালাইসিস ৱিং (রো) দা চিংনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা টেররিজম থেংনবগী থবক পায়রিবা পাকিস্থানি ওথোরিটিশিংনা পঞ্জাব প্রোভিন্সকী হোম ডিপার্টমেন্টতা টেরর মাষ্টরমাইন্দ হফিজ সয়ীদকী সিক্যুরিটি হেনগৎহন্নবা হায়খ্রে।



হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা সয়ীদপু অথিংবা থম্বা মিলিটেন্ট আউটফিট অমগী মেম্বরশিংগী খুত্থাংদা হাৎননবগী থৌরাং অমা মীরৈবাক্কী স্পাই এজেন্সিনা পায়খৎলে হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা টেরর মাষ্টরমাইন্দ অদুগী সিক্যুরিটি কনখৎনবা খঙহনখিবনি।

ওফিসল ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, পাকিস্থানগী ইন্টরনেল কাউন্টর-টেররিজম ওথোরিটিনা লাহোরদা বেজ তৌবা পঞ্জাবকী হোম ডিপার্টমেন্টতা লেট্টর অমা থাখ্রে। লেট্টর অদুদা ফোরন স্পাই এজেন্সি অমনা সয়ীদপু হাৎননবা অথিংবা থম্বা মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুগী এক্টিভিষ্টি অনীদা লূপা মিলিয়ন ৮০ পীখ্রে।

পাকিস্থানগী ইন্টরনেস্নেল কাউন্টর টেররিজম ওথোরিটি (এন সী টি এ) অসি কুমজা ২০০৯ দা শেমখি অমসুং পাকিস্থাননা মায়োক্নরিবা সিক্যুরিটি চেলেঞ্জশিং থেংননবগী অতেনবা, ময়াই ওইবা অমসুং অশাংবা মতমগী ওইবা কাউন্টর টেররিজম ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোক্নবা অমসুং মখোয়বু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগী থৌরাংশিং পুথোক্নবগী থবক শিন্নখি।

এন সী টি এনা হোম ডিপার্টমেন্টতা লাহোরদা লৈবা সয়ীদকী ময়ূমগী অকোইবদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা হায়খি। সয়ীদকী ময়ূমদু পঞ্জাব গভর্নমেন্টনা মহাক্কী জেলনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা সয়ীদপু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখি। টেরর ওর্গনাইজেসন লাস্কর-ঈ-টাইবা (এল ঈ টি) গী ফ্রন্ট অমা ওইরিবা অথিংবা থমখ্রবা মহাক্কী আউটফিট জমাট-উদ-দাৱা (জে য়ু দি) না চহী অসিগী ওগষ্টতা মিলি মুস্লিম লীগ লিংখৎখি, তৌইগুম্বসুং মদুবু পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা রেজিষ্টর তৌবগী ৱাফম পাকিস্থানগী ইলেক্সন কম্মিসননা রিজেক্ট তৌখি।

কুমজা ২০১২ দা সয়ীদপু ফারগা কনভিক্সন তৌবা য়ানবগী পাউ পীবা ঙম্বদা দোলর মিলিয়ন ১০ গী শেলগী মনা পীগনি হায়না য়ু এসনা লাউথোকখি।

মহাকপু ফারবা মতুংদা জে য়ু দিনা টেহরিক-ঈ-অজাদ জম্মু এন্দ কাশ্মির হায়বা বেন্নরগী মখাদা জে য়ু দিনা থবক তৌখি, তৌইগুম্বসুং হৌখিবা জুলাইদা মসিসু অথিংবা আউটফিট অমনি হায়না লাউথোকখি অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিনা অথিংবা থম্বা ওর্গনাইজেসনশিংগী লিষ্টতা হাপচিনখি।

# সিরিয়ন ফোর্সনা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা খুদুম চনখিবা মফম ইস্লামিক ষ্টেটনা অমুক পায়শিনখ্রে

দামাসকস, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি) : সিরিয়ন আর্মিনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মখূৎতগী লিবরেট তৌবা কুইদ্রিবা ইষ্টর্ন সিরিয়াগী টাউন অমা থাংজ নুমিৎতা ইস্লামিষ্ট লালহৌবা গ্রুপ অসিনা অমুক হন্না খুদুম চনখ্রে হায়না এ এফ পিগী পাউনা হায়রি।



হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা আর্মিনা অলবু কামল টাউন লিবরেট তৌখিবগা লোয়ননা টেরর গ্রুপ অদুবু মখোয়না মায়থীবা পীরে হায়না লাউথোকখি। টাউন অদু লৈবাক অদুদা গ্রুপ অদুগী অরোইবা অর্বান ষ্ট্রোংহোল্ডনি।

'ইস্লামিক ষ্টেটনা অলবু কামলবু অমুক হন্না মপূং ফানা খুদুম চনখ্রে অমসুং রেজিমগী ফোর্সশিং অমসুং এলাইদ মিলিসিয়া কাওবুশিং হৌজিক সিটিদগী কিলোমিটর ১ দগী ২ ফাওবা লাপ্পা লৈরি' হায়না এ এফ পিনা সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী চীফ রামি অব্দেল রহমনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

সিটি অদুদা হৌখিবা ইরাইগী অহিংদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইনৌ নৌনা আর্টিলেরি কাপ্পদা অমসুং রশিয়ানা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথবদা অঙাং মাপন য়াওনা মীচম ২৬ শিখ্রে হায়না মোনিটরিং গ্রুপ অদুনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা ইরাই নুমিৎতা ইস্লামিক ষ্টেটকী ন্যুজ এজেন্সিনা ওনলাইনদা রিলিজ তৌখিবা ভিদিও অমনা গ্রুপ অসিগী ফাইটরশিংনা অল-বুকামল (অলবু কামল) গী মনাক্তা আর্মিগা লান শোক্নবগী শক্তমশিং উৎখ্রে হায়না অল জজীরাগী পাউনা হায়খি। ভিদিও অদুগী টাইটলদি 'সিরিয়ন রেজিমগী ফোর্মশিংনা থংন-থংননা নুমিৎ হুম্নি চনবদসু অলবু কামল সিটিদা চঙবা ঙমদ্রে' হায়বসিনি।

অলবু কামলদা নত্তনা ইস্লামিক ষ্টেটনা সিটিদুগী মনাক্তা লৈবা খুঙ্গং খরা অমসুং লৈকংলাগী এরিয়া খরসু মখা তানা কন্ট্রোল তৌরি। গ্রুপ অদুনা হৌখিবা ২০১৪ দা সিরিয়াগী য়াল্লবা মফমশিং পায়শিনবগা লোয়ননা কুমজা ২০১১ দগী চথরক্লিবা লৈবাক অদুগী সিভিল ৱার হেন্না ফিভম শোক্লকখি।

মসি থা মরি চুপ্পা চথখিবা লান্দা অমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লূচিংবা কোলিসননা শৌগৎপা সিরিয়ন ডেমোক্রেটিক ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মখূৎতগী রাক্কাবু নৌনা পায়শিনখিবা মতুং চয়োল খরা লৈরগা থোক্লিকবনি। কুমজা ২০১৪ গী অঙনবদা টেরর আউটফিট অসিনা কন্ট্রোল তৌশিনখিবগা লোয়ননা সিটি অসিবু সিরিয়াদা মখোয়গী হেদক্বার্টর্স ওইনা লাউথোকখি। হৌখিবা জুলাইদা অহানবা ওইনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মখূৎতগী গ্রুপ অসিগী ইরাকতা লৈবা ষ্ট্রোংহোল্ড মোসুল সিটি মুনখি।

# ইরাক্তা হেলিকোপ্তর কায়বদা ক্রু য়াওনা ৭ শিরে

বাঘদাদ, নবেম্বর ১২(এজেন্সী):

ইষ্টর্ন প্রোভিন্স ৱাসিটতা ইরাকি হেলকোপ্তর অমা কায়বদা ক্রু মেম্বর অনী য়াওনা মীওই তরেৎ শিখ্রে হায়না ইরাকি মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

রশিয়ন মি-১৭ হেলিকোপ্তর অদু ৱাসিট প্রোভিন্সতা ত্রেনিংগী মিসন অমদা পাইরিঙৈদা কায়খিবনি অমসুং ক্রু মেম্বরশিং অমসুং আর্মি ওফিসরশিং য়াওনা মদুদা তোংলিবা মীওই তরেৎমক শিখ্রে হায়না জোইন্ট ওপরেসন কম্মান্দগী মীদিয়া ওফিসনা অতেনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা ক্রাস অদুবু থোকহনখিবা মরমগী মখা তাবা অকুপ্পশিং পনখিদে। তৌইগুম্বসুং মীদিয়া রিপোর্টশিংনা আর্মি ওফিসর অমগী ৱারোল পল্লদুনা টেক্নিকেলগী ওইবা অশোয়বা অমনা ক্রাস অদু থোকহন্দুনা আর্মি পর্সনেল তরেৎ শিখিবনি হায়খি।

হৌজিক ইরাক্না মসিগী এয়র ফোর্স নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলি। এয়র ফোর্স অসি হান্নগী ইরাকি প্রসিদেন্ট সদ্দাম হুসেন্না কুমজা ১৯৭৯ দা পৱার পায়রকখিবদগী মিদ্দল ইষ্টকী খ্বায়দগী চাওবশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি। কুমজা ১৯৮৮ দা লোয়শিনখিবা চহী নিপান চুপ্পা চথখিবা ইরাকি-ইরানিয়ন লাল মনুংদসু মসি লমদম অদুদা মতিক ময়াই লৈবা এয়রফোর্স অমা ওইনা লৌনখি। এয়রফোর্স অসি সদ্দাম হুসেনগী রেজিমনা য়ুমলোন্নবা কুৱেটতা লান্দাখিবা মতুং কুমজা ১৯৯১ গী গল্ফ লাল মনুংদগী মরাই চায়থবা হৌখি।

# 'য়ূম মৈ থাবীখ্রবা হিন্দুশিংদা কমপেন্সেসন পীরগনি'

*ধাকা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি) : বাংলাদেশতা লৈরিবা মাইনোরিটি হিন্দু কম্যুনিটিগী নহা অমনা ফজদবা ফেসবুক ষ্টেটস অমা থাগৎখি হায়বা তোকঙাশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা ময়ূম-মকৈশিং মৈ থাবীখ্রবা হিন্দুশিংদা কমপেন্সেসন পীরগনি হায়না লৈবাক অসিনা ইন্দিয়াদা থাজবা পীখ্রে।*

*বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনা থৌদোক অদুনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা সিক্যুরিটি মতিক চানা পীরগনি হায়বগী থাজবসু পীখ্রে। ৱাফম অসি ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বারাজনসু নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না ধাকাদা লৈবা ইন্দিয়ন হাই কম্মিস্নরনা ৱাফম অদু বাংলাদেশ গভর্নমেন্টতা পুখৎলগনি হায়নসু ধাকাদা ফোংবা ন্যুজ রিপোর্টশিংনা হায়খি।*

*ধাকা ট্রিব্যুননা ঙরাং ফোংখিবা পাউ অমগী মতুং ইন্না, হিন্দুগী য়ূম কয়া মৈ থানবা হোৎনখিবা মীওই কাঙবু অমা তানখায়নবা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অমা শিখি।*

*থৌদোক অদু ধাকাদগী কিলোমিটর ৩০০ লোম লাপ্পা লৈবা রাংপুর ডিষ্ট্রিক্টকী থাকুরপারা খুঙ্গংদা থোকখিবনি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা থাকুরবারি খুঙ্গংগী মীওই অমগী ফেসবুক একাউন্টতগী থোক্লকখিবা নুংঙাইতনিঙাই ওইবা ষ্টেটস অমনা মখোয়বু খোইরাং খোইশাওহনখি হায়না প্রোটেষ্টরশিংদুনা ক্লেম তৌখি।*

# সোমালিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফিভম ফগৎলক্লি : য়ু এন রিপোর্ট

য়ুনাইটেদ নেসন্স, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি) : সোমালিয়াদা হৌখিবা চহী অসিদা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফেক্সন অমা শীংথানিঙাই ওইনা চাউথোকখিবগা লোয়ননা মখোয়না পন্টলেন্দদা এটেক কয়া চথখি। ফেক্সন অসি সিরিয়া অমসুং ইরাকতগী ফন্দিং ফাওবা ফংই হায়না য়ু এন সেঙ্কসন্স মোনিটরশিংগী রিপোর্ট অমনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



হোর্ন ওফ অফ্রিকাদা আই এসতা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা য়ু এসকী অহানবা ওপরেসনগী শরুক ওইনা হৌখিবা চয়োলদা য়ু এসনা শৈইখ অব্দুল কাদর মুনিমদা লোয়েল ওইবা ফেক্সন অসিদা টার্গেট তৌখি হায়না য়ু এস অফ্রিকা কম্মান্দনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুদা য়ু এন মোনিটরিং গ্রুপ ফোর সোমালিয়ানা হায়খি, হৌখিবা ২০১৬ তা মশিং দজন খরদগী হেন্দে হায়না পানখিবা ফেক্সন অসিগী ষ্ট্রেংথ হৌজিক শীংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলে অমসুং ফাইটর ২০০ ফাওবা য়াওরম্বা য়াই হায়না চাওরাক্না পানরি।

মুমিনগী রেকোর্দশিংনা মহাক য়েমেনদা লৈবা আই এসকী ওপরেটিভ অমা কন্টেক্ট তৌনৈ হায়বা উৎখি। ওপরেটিভ অদু ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লৈরিবা আই এসকী লীদরশিংগা পাউ ফাওনৈ হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

মতম খরগী মমাঙদা চেন্থোরকখিবা ফেক্সন অদুগী হান্নগী মেম্বরশিংনা হায়খি, মুমিন গ্রুপনা ইরাক অমসুং সিরিয়াদগী ওর্দরশিং লোয়ননা ফন্দিং ফংখি।

হৌখিবা ২০১৬ কী ওক্টোবরদা গ্রুপ অসিনা পন্টলেন্দগী বারি রিজনদা লৈবা কান্দাল টাউন খুদুম চনখি। টাউন অসিবু সোমালিয়াদা লৈবা ইস্লামিক কলিফেটকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেন্টরনি হায়না ফাওবা লাউথোকখি। হৌখিবা মেদা ফেক্সন অসিনা বাসাসোগী মনাক্তা লৈবা পুলিস চেকপোইন্ট অমদা অহানবা সুইসাইদ এটেক পাঙথোকখি।

হোটেল অমদা টার্গেট তৌখিবা অহানবা এটেক মনুংদা গ্রুপ অসিনা টেক্নিকেল কেপেবিলিটিশিংদা খুমাঙ চাওশিনবগী শক্তমশিং উৎখি হায়না য়ু এন মোনিটরশিংনা ফোঙদোকখি।

সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা লৈবা মখোয়গী ষ্ট্রোংহোল্ডশিংদগী আই এসকী ফোরন ফাইটরশিং তান্থোকখিবদগী বারি রিজননা এক্সট্রিমিষ্টশিংসিগী লোৎফম ওইরকপা য়াই হায়না য়ু এন রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

মপানগী টেররিষ্ট ফাইটরশিংনা অল-সাবাবপুদি সোমালিয়াগী আই এস গ্রুপনা হেন্না পামই। অল-সাবাবকী পান্দমদি ইস্লামিক লোদা য়ূম্ফম ওইবা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমা লিংবনি।

অতোপ্পা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ অমা ওইরিবা অল সাবাব আই এসকী গ্লোবল রাইভল অল কাইদাদা এফিলিয়েট তৌই।

ফেক্সন অসি চাউথোরকপগী ফিভম উরবসু ফাইটরশিংদা শেল ইপী-পীদে নৎত্রগা শুংপী পীদে হায়বা ফাওবা য়াই। ময়ূম পানদ্রিবা ফাইটরশিংদা তোলোপ অমৎতা পীদে, তৌইগুম্বসুং ময়ূম পাল্লবা মিলিটেন্টশিংদি থাগী ওইনা দোলর ৫০ গী মথক্তা অঙাং য়াওরগা অঙাং অমদা দোলর ১০ দগী ২০ ফাওবা হেনগৎনা পী হায়রি।

# য়ু এস, সাউদি অরাবিয়ানা ইরানবু য়েমেনগী সিয়াইট রেবেলশিংদা বলিষ্টিক মিসাইলশিং পীশিল্লি হায়না মরাল শীখ্রে



দুবাই, নবেম্বর ১২(এজেন্সী):

সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ু এসনা হৌজিক ইরানবু য়েমেনগী সিয়াইট রেবেলশিংদা বলিষ্টিক মিসাইলশিং সপ্লাই তৌই হায়না মরাল শিরি। মখোয়গী মতুং ইন্না ইরান্না রেলেবশিংদা সপ্লাই তৌরিবা হায়রিবা মিসাইলশিংদুদা সাউদি কিংদমগী কেপিটেল অমসুং মসিগী এয়রপোর্টতা তার্গেট তৌখিবা বলিষ্টিক মিসাইলদুসু য়াওই হায়রি।

হুথীশিং হায়না খঙনবা য়েমেনগী সিয়াইট রেবেলশিংনা হৌখিবা ২০১৪ গী সেপ্তেম্বরদা কেপিটেল সানা পায়শিনখি। মালেমনা শকখঙবা য়েমেনগী গভর্নমেন্টবু শৌগৎলদুনা হৌখিবা ২০১৫ গী সেপ্তেম্বরদা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না হুথীশিং অমসুং মখোয়গী মীচংশিংগা লান শোক্নবা হৌখি।

লাল অদুদা মীচম ১০,০০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা য়েমেনি মিলিয়ন কয়া চাক্তাংবা থোকপা য়াবগী ফিভম মায়োক্নখি। মিদ্দল ইষ্টতা বেজ তৌবা য়ু এস এয়র ফোর্সকী জেনরেল অমনা ইরাই নুমিৎতা হায়খি মদুদি হুথীশিংনা কাপ্পকখিবা মিসাইলশিংদুদা ইরানিয়ন মার্কিংশিং য়াওই। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মিসাইলশিংদুগী পীকচরশিংদি উৎখিদে নৎত্রগা মখা তাবা অকুপ্পশিং পনখিদে।

সাউদি অরাবিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর এন্দ ইনফোর্মেসন্না তুংদা এ পিদা মিলিটরি ব্রীফিংগী মচাক অমা থাখি। মদুদা মখোয়না হুথী বুর্কান নৎত্রগা বোলকেনো হায়না মীংথোনবা বলিষ্টিক মিসাইল অদুগী শরুকশিং উৎখি। মিসাইলগী নাকলদা উরিবদু ইরানিয়ন কিয়াম মিসাইল অমগী ইমেজগা মান্নখি। হুথী মিসাইলনি হায়রিবদুদা য়াওরিবা মার্কিংশিংদু হৌখিবা ২০১২ গী সেপ্তেম্বর ২১ দা ইরানদা উৎখিবা কিয়াম মিসাইল অমগী এপিনা লৌখিবা ফোতোগ্রাফ অমগসু চানৈ হায়রি। সাউদিশিংনা পীরকখিবা অতোপ্পা ইমেজ অমনসু কিয়ামগা মান্নবা রোকেট অদুগী বেজ উৎখি। হুথীশিংদা খুৎলায় পীশিল্লি হায়বা ৱাফম ইরান্না মতম শাংনা য়াদ্দুনা লাকখি। লৈবাক অসিনা য়ু এস জেনরেল অদুগী কম্মেন্টশিংগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা পাউখুম পীদ্রি।

# বাহরেননা পাইপলাইন পোকখায়বগী থৌদোক ইরানগা মরী লৈনবা টেররিষ্ট এটেকনি হায়খ্রে

মানামা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি) : হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা বাহরেনগী মরুওইবা ওইল পাইপলাইনদা মৈ চাউনা হৌহনখিবা পোকখায়বগী থৌদোক টেররিষ্টশিংনা য়ৈখাই-থিনগাইবগী থবকনি হায়না লৈবাক অসিনা ফোঙদোকখ্রে।



বাহরেনগী ৱাফম অসিনা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংগী এটেক অদুদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা য়েক্নবা ওইরিবা ইরানগী খূৎ চিংননিঙাই ওই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রে। তৌইগুম্বসুং ইরাননা গল্ফকী ঈথৎ লৈবাক অদুগী ঈরাংদা মখোয়গী খূৎ অমৎতা য়াওদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নোংচুপলোমগী মরুওইবা মীচং অমসুং য়ু এসকী মঙাশুবা ফ্লীটকী হোষ্ট ওইরিবা সুনি মুস্লিমনা লৈঙাকপা বাহরেনদা চহী কয়া লৈবাক অদুগী সিয়া মেজোরিটিনা প্রোটেষ্ট তৌবা অমসুং অতৈ ঈরাং কয়া থোকহন্দুনা লাকখি।

মদু লৈবাক অদুগী ফিদম্নিঙাই ওইরবা অনিংবা অপান্থশিং অমসুং মীয়ামগী সেফটিদা অকায়বা পীনবগী পান্দমদা চথখিবা থবক থৌরম কয়া ফেল ওইহন্নবগী থবকনি লোয়ননা খুদোং থীনিঙাই ওইরবা টেররিজমগী থবকনি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা মসিগী ৱেবসাইটতা হায়খি।

হন্দক মতম খরসিদা লৈবাক অসিদা উবা ফংখিবা টেররিষ্টকী থবকশিং ইরানগা হকথেংননা কন্টেক্ট তৌনরগা নৎত্রগা লৈবাক অসিগী ইনষ্ট্রক্সনশিংগী মতুং ইন্না চথখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টর শৈইখ রশিদ বিন অব্দুলাহ অল খালিদাগী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

টেহরানদা ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন বাহরাম কাশেমিনা বাহরেনগী ৱাফমশিংদু লাল্লি অমসুং অঙাংগী মতৌ ওইবা মরাল শীবা ৱাফমশিংনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা মসিগী ৱেবসাইটতা হায়খি। চৈরকসিদা, বাহরেনগী ওথোরিটিশিংনা ওইল পাইপলাইনদা মৈ হৌবদু মখোয়না কন্ট্রোল তৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

মতম খরদং লেপ্পলবা মতুংদা সাউদি অরাবিয়াদগী বাহরেনদা মখা তানা থাউ থারকপা হৌখ্রে হায়না বাহরেনগী নেসনল ওইল কম্পেনি বাপকোনা হায়খি।

শেমজিনবা লোইবগা রিফাইন তৌবা ঙম্বগী চাং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা অরামকোগা খূৎশম্নরগা ওপরেট তৌরি হায়না বাপকোনা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা হায়খি।

সাউদি অরাবিয়াগী ইনর্জি মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিৎতা হায়খি মদুদি বাহরেনদা ওইল পম্পিং তৌবা লেপখ্রে। লৈবাক অসিগী ফেসিলিটিশিংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিংসু হেনগৎহল্লে।

কেপিটেল মানামাদগী কিলোমিটর ১৫ (মাইল ১০) রোম লাপ্পা বুরি ভিলেজগা নক্নবা থৌদোক থোকফমদুগী মনাক্তা লৈরিবা মীশিং শাফ্গদবা সেল্টর অমদা হোংদোকখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ওথোরিটিশিংনা হৌখিবা ২০১১ গী সিয়াইটনা লূচিংবা 'অরাব স্প্রীং' প্রোটেষ্টশিং লাকহৎখিবা মতুংদা মিলিটেন্টশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা শাথীরবা বোমিং অমসুং নোংমৈগী এটেকশিং চথখি। এটেকশিং অদুগী মতাংদা টেহরানবু মরাল শীখি। অমরোমদা ইরাননা বাহরেনগী ঈরাংদা মখোয়গী খূৎ য়াওদে হায়রি।

# করপসনগা মরী লৈননা মীওই কয়া ফাবনা থাউগী মমল হেনগৎহল্লি

রিয়াধ, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি) : ইরানগা টেন্সন কন্না হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা সাউদি ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমাননা প্রিন্স অমসুং গভর্নমেন্ট মিনিষ্টর মরি য়াওনা সাউদি সিটিজন ২০০ হেন্না করপসনগী চার্জশিংদা ফানবা ৱারেপ লৌখিবগী মরম ঐখোয়না মপূং ফানা খঙদবা য়াই।



হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না খঙলিবদি মহাক্কী খোঙথাং অদুনা থাউগী মমল হেনগৎহনখি অমসুং মীরৈবাক্কী ইনভেষ্টরশিংবু অরামকো (হৌজিক্না সাউদি অরাবিয়ন ওইল কম্পেনি হায়নরিবা অরাবিয়ন অমেরিকান ওইল কম্পেনি) পাম্বা হন্থহনখি। তৌইগুম্বসুং মসিগী পোলিটিকেল ৱারেপ অসিনা সাউদি ওইল পোলিসিদা অহোংবা লাকহল্লগনি নৎত্রগা ষ্টেট ওইল কম্পেনিগী আই পি ওগী প্রোসপেক্টসতা তুং কোইনা অকায়বা পীগনি হায়না লৌবদি লানগনি হায়রি।

মিদ্দল ইষ্টতা ঈরাং থোকপা খূদিংগী শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমলশিং হেনগৎতুনতা লাকখি। ঈরাংদা চেন্নরিবা লৈবাকশিংনা থাউ খরদং পুথোক্লবসু নৎত্রগা শুংপু পুথোক্তবসু লমদম অদুদা ঈরাং থোক্লবদি থাউগী মমল হেনগৎপা শোয়দ্রে হায়না লৌনরি। হৌজিকসু মদুগুম্বা ফিভম অমা লাক্লে। লমদম অদুগী থাউ খ্বাইদগী হেন্না পুথোক্লিবা লৈবাক্তা প্রিন্স কয়া য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া ফাগৎপা অমসুং য়েমেনদগী মিসাইল কাপখিবগী পাউখুম ওইনা লেবানন অমসুং ইরানগী মায়োক্তা অকিবা পীবগী থৌওংশিংনা অদুগুম্বা ফিভম অমা লাকহনবদা ঙক্লিঙাই ওইদে হায়রি।

# মনিলাদা দোনাল্ড ট্রম্পকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবশিং তানখায়খ্রে

মনিলা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি) : য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা রিজনেল সম্মিট অমদা শরুক য়ানবগীদমক অমসুং মহাক্কী এসিয়া খোঙচৎকী অরোইবা থুংফম ওইনা ঙসি ফিলিপিন্সতা থুংগদবা পূং খরখক্কী মমাঙদা মনিলাদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি তম্না থোমজিল্লকখিবা প্রোটেষ্টর চা কয়া থিংনবা হোৎনবদা রাইঅট পুলিসনা ৱাটর কেননশিং শীজিন্নখ্রে।



"দম্প ট্রম্প" অমসুং "দাউন ৱিথ য়ু এস ইম্পরিএলিজম" হায়বা প্লেকার্দশিং পুদুনা থোমজিল্লকখিবা লেফট ৱিং প্রোটেষ্টরশিংদু সিল্ডশিং অমসুং বেটনশিং পায়বা রাইঅটকী ফিজোল শেৎপা পুলিস কাঙবু অমনা থিংখি। মদুগী মতুংদা পুলিস কাঙবু অদুনা ফায়র এঞ্জিন অমদগী ঈশিং মরী চাউনা অমসুং শাফু কন্না কাপশিনখি।

"ট্রম্প অসি য়ু এসকী ইম্পরিএলিষ্টকী সী ঈ ও নি" হায়না চহী ১৮ গী লেঙ্গা ওইবা মহৈরোয় অলেক্সি দানদাইনা প্রোটেষ্টরশিংদু তানখায়রবা মতুংদা হায়খি। "ঐখোয়না মহাক ফিলিপিন্স অমসুং য়ু এসকী মরক্তা ফজদবা ট্রিটিশিং সাইন তৌননবা তকশিনবা ওইনা মফমসিদা লাক্লিবনি হায়বসি খঙই।"

ভিয়েটনামদা এসিয়া-পেসিফিক সম্মিট অমসুং বাইলেটেরেল খোঙচৎ অমা লোইরবা মতুংদা মহাক মনিলাদা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন) অমসুং অতৈ ইষ্ট এসিয়ন লৈবাকশিংগী লীদরশিংগা উনানবগীদমক নুংথিল পূং মঙা (জি এম টি ০৯০০) রোম তাবদা থুংগনি হায়না থাজনখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী ঙল্লিঙৈ মতমদা হানোইদা লৈরিবা ট্রম্পনা হায়খি, সাউথ চাইনা সীগী ক্লেমেন্টশিংগী মরক্তা ৱাতেন্নবা মহাক্না শেম-শারে। লল্লোন ইতিক্কী মরুওইবা ঈশিং লম্বী অমা ওইরিবা সী অদুগী মফম কয়া অসিঅনগী লৈবাক মরি অমসুং টাইৱাননা চাইনাগা ফাংজিন্ননা ক্লেম তৌরিবনি।

'করিগুম্বা ঐহাক্না ৱাতেন্বদা মতেং পাংবা য়াগনি খনবা লৈরবদি ঐঙোন্দা খঙহনবীরকউ' হায়না ট্রম্পনা ভিয়েটনামগী প্রসিদেন্ট ট্রান দাই কুৱাংগা উনবদা হায়খি, 'ঐহাক য়াম্না ফবা মীদিয়েটর অমসুং অর্বিট্রেটর অমনি।'

হৌখিবা ওগষ্টতা সাউথ ইষ্ট এসিয়া অমসুং চাইনাগী ফোরন মিনিষ্টরশিংনা সাউথ চাইনা সীগী মতাংদা চৎনগদবা কোদ ওফ কন্দক্ট অমা পুথোক্নবগী নিগোসিয়েটিং ফ্রেমৱার্ক অমা য়ানখি। মখোয়না মদুবু প্রোগ্রেসনি হায়না শীংথাখি তৌইগুম্বসুং ক্রিটিকশিংনদি মদু চাইনানা মসিগী পৱার চেৎশিন্নবগী মতম লৌবনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

ফ্রেমৱার্ক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা মনিলাদা অসিঅনগী লৈবাক ১০ অমসুং চাইনানা অয়াবা পীরগনি হায়না রিজনেল ব্লোক অদুগী লৈবাকশিংগী মনুংদগী অমগী ডিপ্লোমেট অমনা হায়খি।

ফিলিপিন্সনা অরোইবা খোঙদাফম ওইগদৌরিবা ট্রম্পকী অশাংবা এসিয়া খোঙচৎ অদুদা মহাক জপান, সাউথ কোরিয়া, চাইনা অমসুং ভিয়েটনামদা চৎখ্রে।